# থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ঈচাউনা শোকহল্লবশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এন জি ও ফোরমনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউনা অৱা-অনা নংহল্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবগা লোয়ননা ফ্রী মেদিকেল কেম্পসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ফোরমনা ঙসি তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা মফমশিং অদুদি লিলোং এ সীগী লিলোং হায়র সেকেন্দরী মদ্রাসাদা লৈরিবা রিলিফ কেম্প, লিলোং হাওরৈবী কোলেজদা লৈরিবা কেম্প, নুঙ্গৈ মৈতৈ ভিলেজ, লৈশাংথেম খোং মনুং, ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সনথেল, উচিৱা ৱাংমা তাবা অমসুং কোমনাওনি।

অদুগা ফ্রী মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখিবা মফমশিং অদুদি সনথেল অমসুং উচিৱা ৱাংমা তাবদনি।

ঈচাউগী তেংবাঙ পোৎলম য়েন্থোকপা অসিদা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিংদা এন জি ও ফোরমবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। ফোরমগী মায়কৈদগীসু অসিগুম্বা মতেং পীবগী থবক অসি মতুংদসু মখা তানা পাঙথোরকখিগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি।

ফোরমগী মায়কৈদগী ঙসি য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুদি আলু কেজি ৫০ গী বেগ ৫৭, চেঙ কেজি ৫০ গী বেগ ১৪৭ অমসুং থুম কেজি তঙ্খায়গী পেকেট ৪৯ লোমনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটি থৌবালগী মতেংগা লোয়ননা সনথেল কম্ম্যুনিটি হোল অমসুং উচিৱা ৱাংমা কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা ফ্রী মেদিকেল কেম্প অদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেল্‌থ সোসাইটিগী দোক্টর অমসুং ষ্টাফশিংনা মীওই ৩০০ লোম লায়েংবগা লোয়ননা হীদাক-লাংথকসু লেম্না পীখি হায়রি।

## কে সী পিগী কাদর অহুম ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা হোটেল নির্মালা মনাক্তা থিবা-হুন্বা চৎথবদা কে সী পি (এম জে সী) গী কাদর অমা ফারে। মহাক্কী মমিং য়ুম্নাম মণি এলিয়স ননাও এলিয়স তেলহৈবা (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কুমার খন্সা কৌই। মহাক তেরা কৈথেলদগী লাক্লগা হৌজিক্লা থৌবালখোং অহনবীদা লৈবনি। মঙোন দা ৱাহং-পাউহং চৎথবদা মহাকমীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী থবক চঠৈ হায়রি।

কম্মান্দোগী টিম অসিনা কে সী পি (এম জে সী) গী কাদর অমসু খুয়াথোং পোলেম লৈকায়দা লৈবা ময়ুমদগী ফারে হায়রি। মহাক্কী মমিংনা ঙাঙবম সুশিল এলিয়স অবোই এলিয়স খোয়াঙম্বা (৪৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন জি ব্রজবিহারি কৌই। মঙোন্দগী দিমান্দ লেট্টর ১৫ ফংলে হায়রি।

মরকসিদা থা অসিগী ১৭ তা থৌবাল কম্মান্দোগী টিম অমনা হৈরোক পার্ট থ্রীদগী সোইবম সনাতোম্বা এলিয়স অকাই (১৯) অপোকপা ইবোপীশক ফারে। মঙোন্দগী পার্টিগা মরী লৈনবা চে-চাং খরসু ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা চহী ৩০ দগী ৩৫ ফাওবগী লেঙ্গা মানবা মশক খঙদবা অশিবা হকচাং অমা শামুরৌ ওইল পম্প মখা লৈকায়দা তাদুনা লৈরম্বা নুপা অদু ঙসি ফাওবা মশক মমিং খঙবা ঙমদনা লৈরি। অশিবা হকচাং অদু মশক খঙদোক্লবা রিমসকী মোর্গতা থম্লি।

## বোম পোকখায়হনববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ-মীফম চথখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ১৮ (ঐচ এন এস) :

পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোইবম লৈকায় জেনিমস ক্রোসিং মনাক্তা ঙরাং অয়ুক শকখঙদবশিংনা মতীক ময়াই লৈরবা আই ঈ দি রিমোট কন্ট্রোল তৌবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা মীওই মঙা শোকহনখিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মীয়াম্না ৱাকৎ-মীফম চথখ্রে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সিটিজেন ক্লবকী ভাইস-প্রসিদেন্ট নাওরেম মহেন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা য়ুম কুৎনা তাবা মফমদা অমদি মীয়াম্না তোয়না চৎনরিবা লম্বীদা শকখঙদবশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা অশোক-অপন নংহনখিবা থৌওং অদু য়ানিংদে। ক্লব অসিনা বোম পোকখায়খিবা লম্বীগী নাক্তা লৈরিবা ৱার্কশোপশিংদা লম্বীদা গাড়ী অমনবশিং থমজিনবীগনু হায়নসু হান্না খঙহনখিবা লৈখ্রে। ঙরাংসু অমনবা গাড়ী বোদি অমদা ফিট তৌরগা বোম পোকখায়হন্দুনা আসাম রেজিমেন্টকী পার্সনেল অমা য়াওবা মীওই মঙা শোকহনখিবনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৬২ গী মতুংদা লম্বী অসিগী নাকল দা লৈবা লৈঙাক্কী খাসলেন্দদা লন্নাই মীওই কয়া অমা লৈশিল্লকপদগী লম্বীসু কা হেন্না চিনশিল্লক্লে।

ৱাকৎ-মীফম অদুদা সিটিজেন ক্লব, মৈরা পায়বী লূপ, মৈতৈ-পাঙল মৈরা পায়বীনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। ৱাকৎ-মীফম অদুদা মীয়াম মরক্তা বোম পোকখায়হনগনু, মীরক্তা বোম থমজিন্দুনা পোকখায়হনবা য়ানিংদে, মীচম অমগা বোম অমগী মমলদা খক মান্নবা য়ারোই হায়বনচিংবা প্লেকার্দতা ইদুনা থেৎখি।

## কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ু এন এল এফকী কাদর ২ ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৮ : ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো অমদি চিঙারেলদা লৈবা ৪৫শুবা আসাম রাইফলস য়াওবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা লম্লাই কৈথেল এরিয়াদগী য়ু এন এল এফকী কাদর অনী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অনী অদুদি লৈমখোং মপান মনিং লৈকায়দগী কোন্থৌজম জয়ন্ত এলিয়স লাইবা (২৩) অপোকপা কে য়ুগেশ্বর অমদি ইথম মমাঙ লৈকায়দগী সগোলশেল মোমো এলিয়স লুৱাংজাও এলিয়স সুরেশ (২১) অপোকপা এস ঐচ রামেনি।

মখোয় অনীগী মনুংদা কে জয়ন্তনা কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদা য়ু এন এল এফতা য়াওবনি। মহাক ম্যান্মারগী টাকা হায়রিবা মফম অদুদা বেসিক মিলিটরি ট্রেনিং তৌরুরে হায়রি। সগোলশেম মোমোনা কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবরদা ইথম মমাঙ লৈকায়দগী ইনাও কৌবা অমগী খুত্থাংদা লূপ অসিদা য়াওবনি। মহাক ম্যান্মারগী তামুমাদা ট্রেনিং তৌরুরে হায়রি। মহাক লূপ অসিগী সী ও ইন-চার্জ বট্টালিয়ন ২৯৩ গী মখাদা থবক তৌবনি। কম্বাইন্দ ফোর্সনা ফারবা মীওই অনী অদু মখা তাবা ৱাহং-পাউহং চৎথনবগীদমক লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

---

### /WANTED

**A MALE WARDEN CUM ASSISTANT TEACHER OF LEISHEMBA MAHEIKOL, KANGLA-CHINGAREL**

(Imphal-Ukhrul Road, 10 Km. from Imphal)

**Qualification : Any Graduate (Fluent in English)**

**Pay : Rs. 8,000/- (Negotiable)+EPF+Incentive+Fooding & Lodging)**

**Date of Interview : 23rd July, 2017 (Sunday)**

**Time : 10:00 a.m.**

*Sd/-* **Rengneisel Saiphu**
**Chief Warden**
**Contact No. 7085509200**

HL-P/2205/19&20

---

### /EXPERIENCED TEACHERS WANTED

**CAREER GUIDANCE & COUNSELLING CENTRE SCHOOL**
**WANGOI, IMPHAL-WEST**

| SL. NO. | SUBJECTS | EDN. QUALIFICATIN |
|---|---|---|
| 1. | ENGLISH | B.A./B.Sc., M.A./M.Sc. |
| 2. | MANIPURI | -DO- |
| 3. | HISTORY | -DO- |

**Salary :** ₹ 20,000/- per Month+Incentive (can be negotiated)
**Last Date of Form Submission - 20th July, 2017.**

HL-P/2086/16to20 *Sd/-* **Principal, CGCC**

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR NINGTHOUKHONG : MANIPUR**

***Ref:- Mut. Case No. 267/SDC/NTK/2017***

1. Yumnam Koireng Singh s/o Y. Megha Singh of Ningthoukhong Kha, 2. Yumnam Ibomcha Singh s/o -do- of -do-, 3. Yumnam Ojit Singh s/o -do- of -do-.

*-Petitioners*

-Vs-

1. Late Yumnam Amar Singh s/o (L) Yaima Singh of Ningthoukhong Kha, 2.Sagapam Babu Singh s/o (L) S. Ratan Singh of -do-.

*-O.P. Parties*

### /NOTICE

Ningthoukhong, the 18th July, 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি ৪৪-নিংথৌখোং খা ভিলেজগী পাট্টা নং ৯৪ (অরিবা), ৭৫৩ (অনৌবা), সী. এস. দাগ নং ২০৮৪, এরিয়া ০.৩১ একর চাওবা ইঙ্খোল ক্লাস অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অমসুং ২ অসি মৃ: ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মশুশিং (পেটিস্নরশিং) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি উক্ত কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৬/৭/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Ningthoukhong, Manipur.


HL-P/2215/19

---

### /মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ

**চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স**



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/3974/28/06-28/07

---

### /MONEY BAG LOST

I have lost my Money Bag containing ATM of UBI issued by UBI Mao Branch, Service Identity Card of 6 MR issued by C.O. Ukhrul and Aadhaar Card on the way from Samumakhong to RIMS Gate on 18/07/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/-* **R.L. Shehe**
Koide Senapati District, ☎ 9862957093

HL-P/2203/19

---

### /71 JOB VACANCY AVAILABLE

মণিপুর মনুংগী ওইগদবা হৌজিক হৌজিকমক দরকার ওইরিবা তোঙান-তোঙানবা Official Staff 71 (Male 37+Female 34) গীদমক কেন্দিদেটশিংদগী অথুবগী ওইনা থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। মশাগী চহী ৩০ গী মনুংদা লৈবা ক্লাস X, XII, Graduation পাস তৌরবা অমদি তন্নিবা মীওইশিংনা Apply তৌবা য়াগনি।

**Monthy Income - 10,000/- to 35,000/-**
**Facility - Fooding+Lodging Available**
**Visiting Hour - 12:00 noon to 3:30 pm**

* NO DEPOSIT REQUIRED *

Apply তৌবীনিংবশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-Data গা লোয়ননা তানবীয়ু।

**Contact : 9856377551, 9774986962**

HL-P/2045/11,13,17,19

---

### /থাগৎচরি



Ashok Kumar

ঐনা Sir Ashok Kumar বু ঐগী অনাবা SPINAL CORD COMPRESSION (L4/L5/S1) অসি ফহনবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অনাবা অসিনা মরম ওইদুনা চহী ৫ (মঙা) চুপ্পা ৱানা খাঙখি। অনাবা অসিগী লায়ওংদি খেঙদা চিকপা, শাবা ফাওবা, চৎপা ঙমদবা, লেং-ওৎপদা য়াম্না ৱাবা অসিনি। ঐগী লাইবক ফবদি **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625** দা Consult শুপ্নতগী নুমিৎ ১০ নিদা ঐগী অৱাবা পুম্নমক কোকহনবীরে। ঐনা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমজরি। মতম শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবীয়ুকো।

*Sd/-* **Pangngaireo**
Pharung Village, Ukhrul.

HL-P/2208/19

---

### /শেংদোকচবা

Lilong Vety. Hospital cum I.C.D.P Sub-Centre না কোনবা মফমদা ঈশিং-ঈচাউগা মরী লৈননা জোইন্ট দিরেক্টর থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা হীদাক কাপ্পা অমদি চরু, হীদাক-লাংথক য়েন্থোকখি অদুবু লাইবক থীবদি পাউচে খরদা AMMDC Lilong হায়না ফোঙবীরকখিবশিংদু থবক তৌজরিবা ষ্টাফশিংগী লাইবক থীবনি।

**Sd/- Lilong Vety. Hospital cum I.C.D.P. Centre, Lilong, Staff.**

HL-P/2206/19

---

### /Register তৌজরগনি

Educated Street Vendor & Un-Employee Shopkeeper Development Welfare Association কৌবা এসোসিএসন অমা Register তৌজরগনি। মসিদা কনাগুম্বা/কনাগুম্বীশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি নুমিৎ ৫ (মঙা)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎপীরকপা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

**Sd/- Pangambam Merajao Meitei**
**Secretary, ☎ 8413964899**

HL-P/2210/19

---

**Regd. No. 2808/2013, Govt. of Manipur**

### /URGENTLY REQUIRED

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Security/Ex-Serviceman | 40 | | 6000-15,000 |
| | ATM Security | | | |
| 2. | Reception/Finance Manager/PRO | 08 | XII/above | 6000-10,000 |
| 3. | Recovery Officer | 10 | X/above | 5000-10,000 |
| 4. | Cashier/Computer Operator | 13 | XII/above | 5000- 8000 |
| 5. | Attendant/House Keeping | 03 | X/above | 4500- 8000 |
| 6. | Air Hostess/Flight Steward/ Ground Staff/Air Ticketing | 18 | XII/Graduate | 20000-50000 |
| 7. | Ground Weight Cheking Flight Cleaning | 10 | XII/Graduate | 10000-15000 |
| 8. | Airport Driver/Loader | 15 | VIII/above | 10000-18000 |

♦ FIRST COMES FIRST SERVE

**Date of Submission : 24/7/2017** **Date of Interview : 25/7/2017**

***Call :*** **1. 7422978155 2. 8258993369**

**Sd/- Manager,**
**Job Helpline and Counselling**

HL-P/0666/14,16to24

---

## লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী Director না মীয়ামদা খঙহঞ্জবা

Department of Agriculture, Manipur গী Director **Shri Ph. Rajendra Singh** না খঙহঞ্জরি, মদুদি ICAR, New Delhi না লৌদুনা চহী ২০১৭-১৮ ইংগী B.Sc. (Agri) and Allied Courses গীদমক্তা পাঙথোকপা এগজামিনেসনগী Non-Qualified Candidate শিংনা SCORE CARD পীশিনবদু তাং ২১/৭/২০১৭ ফাওবা শাংদোক্লে। মসিদা পীশিনহৌদবা Candidate শিংনা Selection লোইখ্রবা মতুংদা Complain অমসুং RIT নচিংবা থারকপদা দিপার্টমেন্টনা মখা তানা খন্নজররোই।

**Sd/-**
**Director of Agriculture**
**Manipur**

HL-P/2212/19

---

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DEPARTMENT OF AGRICULTURE : MANIPUR**

............

## NOTIFICATION

Imphal, the 18th July, 2017

**No. AGM-1/GS/TRG-2000 (Pt. VIII) :** In continuation of this office **NOTIFICATION** of even number dated the 7th July, 2017 submission of SCORE CARD with Regd. ID Number and Password for ICAR Exam. (AIEEA-UG-17) is extended upto 21st July, 2017 for Selection of State Govt. nominees of B.Sc. (Agri) & Allied courses. Non-submission of the **SCORE CARD** is liable to be rejection of their candidature for the Selection of State Govt. nominees for the year, 2017-18 as CAU, Iroisemba fixed the last date of nomination on 25th July, 2017.

*Sd/-* **Ph. Rajendra Singh**
**Director of Agriculture : Manipur**

HL-P/2211/19

---

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**RURAL ENGINEERING DEPARTMENT**
**MANIPUR STATE RURAL ROADS DEVELOPMENT AGENCY (MSRRDA)**
**(DEPARTMENT OF RD & PR. GOVT. OF MANIPUR)**
**4TH FLOOR, SECURED OFFICE COMPLEX, A.T. LINE, NORTH AOC : IMPHAL, MANIPUR**

## MEETING NOTICE

Dated, Imphal, the 18th July, 2017

**No. 5/16/2017-MSRRDA/E-Tender/Ph-XI (B-1, 2017-18)/496 :** It is hereby informed to all the Special Class Contractors and 1st Class Contractors of PWD, Manipur and 1st Class Contractors of CPWD, MES, RAILWAYS, NHAI for attending the discussion to be held at **Conference Hall, RED/MSRRDA, 4th Floor, Secured Office Complex, A.T. Line, Norht AOC, Imphal, Manipur** on **22-07-2017** at 11 a.m. sharp in connection with the ensuing e-tender of Pradhan Mantri Gram Sadak Yojana (PMGSY) Phase-XI (Batch-1, 2017-18) in Manipur State.

It is also hereby requested to all the concerned Contractors to attend the meeting along with site engineers.

*Sd/-* **Th. Nandakishore Singh**
Chief Engineer, RED/MSRRDA.

HL-B/4025/19

---

**OFFICE OF THE**
**PLANNING & DEVELOPMENT AUTHORITY**
**MANIPUR**

## NOTIFICATION

Imphal, the 18th July, 2017

**No. 4/23/77-PDA (Pt-III)/34 :** It is hereby informed that the entire shop owners (allottees) of Shop Cum Residential Complex Lamphelpat, are requested to clear their due payments such as Instalment, Penal Interest and ground rent etc. within a period of 15 days from the date of this notification at the Office of Planning & Development Authority, Manipur.

2. Further it is informed that the required Conveyance Deed for transferring the shop to the Original allottee shall be done after clearance of the due payment.
3. Allottee are requested to bring their original allotment order and other necessary document at the time of clearing the dues.

*Sd/-* **Jugolkishore Salam**
Assistant Secretary,
Planning & Development Authority, Manipur

HL-B/4021/19

---



**SARASWATI COACHING INSTITUTE**
*Chingmeirong Khongnang Ani Karak, Imphal*

**ADMISSION OPEN**

**MEDICAL REGULAR COURSE for NEET(UG) - 2018**

*Starting of Class : 20h July, 2017*

**Special features**

1) Supply of Study Material from *M-Power,* New Delhi
2) Special concession of Meritious, Physically challenged and Ex- Sacian Students
3) Special concession for those students that secured 350 and above mark in NEET UG - 2017

Van Service Available

*Managing Director*

*We nourish your future*

HL-B/3994/08-22 july

---

**STUDY MBBS/MD IN ABROAD**

**Estd : 2003**

**BANGLADESH:** PRIME MEDICAL COLLEGE, RANGPUR COMMUNITY MEDICAL COLLEGE, SYLHET WOMEN'S MEDICAL & TMSS MEDICAL COLLEGE.
**KAZAKHSTAN:** SEMEY STATE MEDICAL UNIVERSITY, KAZAKH NATIONAL MEDICAL UNIVERSITY.
**PHILIPPINES:** - AMA SCHOOL OF MEDICINES, UNIVERSITY OF PERPETUAL HELP SYSTEM, EMILIO AGUINALDO SCHOOL OF MEDICINES.
**CHINA:** HENAN UNIVERSITY, HENAN UNIVERSITY OF SCIENCE AND TECHNOLOGY, ZHENGZHOU, KUNMING,
**RUSSIA :** ALTAI STATE MEDICAL UNIVERSITY, RUSSIA.
**GEORGIA:** EUROPEAN UNIVERSITY

*PLZ Contact*: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong,Near Cambridge School, old Campus Imphal.

**Contact No. : 9856363129, 9615706900 , 8257053310,8974084294 ,**

HL-B/3969/26,28 jun -26 jul.